# মৈগী কুম্মৈ দিৱালি নুমিৎকী লগাউদো : কপসিরা, নোকসিরা ?

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

**মৈগী** কুম্মৈ দিৱালি, মমল অয়াম্বা, য়ামদবা বোম্বুলাগী মৈখু মরক্তা, পাঙথোক্লখ্রে হরাও তয়াম্বা থৌরম অমা ওইনা, মমাঙগী হাপ্তা তাং ৭, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা। মোমবর্তি মৈঙাল পরেং পরেং, মেরা থাশি থামম্বনি হায়বকাদু কনামত্তা নীংশিংনরমগদবা মান্দে। বোম্বুলানা থোকহনবা পোলুসনগী অকিবসু ফাওরমগনি থাজদে। নোইজ পোলুসন্দুদা য়েন খরদি অদুম্মক শিখি। হূইশিংসু লাইখংনদুনা ইমুংদা চেনশিন্দুনা কাংখদা লোত্তুনা খাঙনৈ। তৌহৈবা তৌহৈদবা খঙদে। কা হেনমল্লে হায়নৈ। হায়নজবগী ৱানি চহী চহীগী অসুম অসুম হেনগৎলকই। হায়জিনবগী ৱা নত্তে। লফূ পাম্বীসু, সনারৈসু ফনা য়াম্না তুমলমগদবা মাল্লি। নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা থৌওংসিগী হায়রুরবদি দিৱালিসে অরংবী পোক পাক দঙ দঙগী কুম্মৈ হায়বফাওবা য়ারবনি। মোমবর্তিদগী হেন্দোক্তুনা মচু মচুগী মৈঙান্না ফিৎ ফাৎ, মীৎ থকপমখৈ ফজৈ হায়রবসু য়ারে। লক্ষ্মী কৌবী লনগী মবেম্মনা পেন্নবরা, মী ঐখোয়না অপেনবা ফংনবরা ? মীৎ থকপমখৈ অরং অরাক্কী কুম্মৈ ওইনা পাঙথোক্লরক্লিবসিবু কনানা হৌদোক্লপা ওইরিগদবা? মীঙোন্দগী শেঞ্জাউ পায়বশিংগী মতৌ, ঐখোয়না তম্বা শোয়দনা ওইরমগদবা মাল্লি। দিৱালি নুমিৎ খুদিংগী অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোক অমা হেক্তমক নীংশিংলকই। রোকেট বোম মৈ চুরগা লংখি। হরাউনা য়েংজৈ, ফ্রি ফ্রি মৈরিক্কা লোয়ননা পাইখিবদু। কয়াদি শাগ্রীখ্রে, মীগী শাইজিন্দা চক য়ুংশিল্লগা মৈ হৌরকপদু। য়ূমদু চাক্লমগদবা শম্নাদা লীৎলি। মতমদুদদি ঈনা য়ূমথক কুপ্পা য়ূম্না অয়াম্বনি। মী ময়াম্না ঈশিং হৈজিন্দুনা শাইজিন্দু কল্লমদ্রবা য়ূম ফনা য়াম্না উৎ ওল্লমগনি। শাথী শাথীবা থৌদোক অদুম্মক তত্তনা থোকপগী পাউ তাই মৈগী নুমিত্তা। কনামত্তা নাচুংবীদে, মখে হেক্তমক লাংখৎনরকই।

খ্বাইদগী শাথীরিবসি লগাউ খাউবগী চৎনবীসিনি। দিৱালিগী মিংদা অফোংবা জ্বার শান্নবনি। নুমিৎ অসি হৌখ্রবসু মখা তানা অদুম্মক খাউনৈ, কৈথেল অমদি লৈরক মচি মচিদা। পুলিসনসু কোয়তান তাল্লি, লগাউ মরূ মুল্লগা পুখিবনচিংবা কয়ানি। মিনট ফাদে, মচি অমদা অমুক খাউরকই। কুমজা ১৯৭৮/৭৯ অদুৱাইদনি। মতমদুদা ককচীংদা লগাউ খাউবদা নুপী অমত্তা য়াওনদে, খাউবা ওইগেরা থাবা ওইগেরা। মফমদুদি পঞ্জররোই ৱারৌনরকপসু য়াই। ঐগী পাবুংগী (বাজিগী ময়াম্বা অহল) মচানুপা অমা, ইবুংনি মফমদুদা অদুম্মক লৈখি, মৌ চাজেনবী অমা লৌরগা। ঐখোয়সু ইচৎ চৎলুদে, মাসু কয়া লাকখিদে। চহী অমদি মানা লাকউ হায়না পাউ চেল্লকপদগী মাগী মনাউনুপা অহুম মনাক্তা চৎখি। ঐগীদি অমনা ইবুংনি অনী অমনা ইপ্বানি। পোইনু লৌ লোকপা লোইরবা মতুংদনি মখোয়না চৎলুবদু। হল্লকপদা মফমদুগী ৱারী ময়াম অমা পুরকখি। ময়ামদুগী মনুংদা মতমদুদা অঙকপা ৱারী অমা ওইখিবসি অতৈ করিমত্তা নত্তে লম অদুগী নুপী নুপা পূম্নমক্না লগাউ শান্নবদা থৱায় লূপচবগী ৱারীনি। নোং হেক ঙানবগা নুপীশিংনা শেংনা ইরু মাইথজরবা মতুংদা চন্দোন চৱা লংত্রিক লংনা থিল্লগা, ফিশেং শেত্তুনা লগাউ মরূনচিংবা মপোৎ মচৈশিংদু লাইনিংথৌ লৈমরেন মমাঙদা থল্লগা ধুপ থাদুনা খুরুম্নে হায় দাউ য়াননবগীদমক ৱারীদুনা ঐখোয়বু য়াম্না নোকহনখি। লমদুগী নুপীশিংদু তৌঙম্বীনি খনখি। অদুবু লায়নাদো মথং মথং শন্দোরক্তুনা ঐখোয়গীদসু য়ৌরক্লে।

চহী খরসিদা লমদমসিগী নুপীশিংনা লগাউ শান্নবদা অসুক্কী মতিক থৱায় য়াওখৎনরক্লি। মদুদা য়াওরুদবশিংদু খুনুং চুবী অরীকপী মতমগী চৎনবী খঙদবীনি হায়না নোক্নরমগদবা মাল্লি। ঐনা অসুম তাবদা লাক্ষ লাক্ষনা খূজিং ওইরগা মাঙবা নৎত্রগা তোংবনি হায়। ইমুংদা মচা



শুল্লম্লগা থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্তবসু য়াওনমাল্লে। নোংঙাল্লগা মকোক মরু ইচাউ চাউবমখৈ নুংশুক নুংজাননা হল্লকপসু কোঙ্গায়নি। মতৈ মনাউ মান্নদুনা অমনা খাওবা অমনা থাবসু য়াওবজাৎনি। ৱারক ৱাতেম্বা ওইনা মনেম মকুনা খরা ঙাঙলু শক্লুরবসু দাউ য়াদদুনা শেল মাঙলিঙৈদা পঙঙাংদা ঙাঙই, হু চারগা শিজখ্রগে হায়না কিহনবনা মরোল অমা, উহৈ তাহৈদ্রবনি। থাঙ্গৈশেংবদি হায়রিবশিংসি চৈনা তাঙবা নম্না হোঙবা হায়বদুনি। মহাভারতকী ৱারীদা ধর্ম্মরাজনি হায়নরিবা যুধিষ্ঠিরনা চৌবোরদা পঞ্চালিনী দ্রোপদী কৌরবকী মফমদা থাদোকখিবা শাউনীংদুনা লৈরিঙৈদা ঐখোয়গী নুপীশিংনা লগাউদা চাক ঈশিং কাউনরকপগী থৌ লাকপসিদদি শাউনীংলম্বদগী নোক্লিংবা অমা য়াওরকই। অমুক মিপাইবা ফাওরকই, মাগী নুপাদু থাদোক্কেগা হায়রক্লবদি। নুপাদুনা শেল পায়বা নৎত্রগা তলব চাউনা চাবা ওফিসরকা ওইরবদি হরাউ হরাউ লগাউদা ফংলকপনি হায়দুনা মতুং ইন্নরগা চৎখিবসু খঙপোৎ নত্তে। অদু ওইরবদি কুম্মৈ তানি, লগাউ শান্নবদা থৱায় লূপ্পরা হায়ববু।

হায়জরিবসি নুপী পুম্নমক্কী ৱাফমদি নত্তে। নুপী খরগী ৱানি। কুমজা ২০১৬তা মরূপ লাউফমদা মরূপ য়াওমিন্নবী অমনা লাক্ষ অমা লগাউদা থাদোকখিবগী মকোক শাবদু উবদা ফূনীংবনা খূৎসি মরেং মরেং চৎপজাৎনি। ঐনা শাউনীংলিবসি মাগী নুপাদুনি। মনীং তমহল্লিবনি হায়দুনসু মদুবু হৌনবরা? মখোয়গী মচাশিংনা খল্লমগদবদু, মীৎ উইশিনবদা তু চুংবা ফাওই। অঙাং ওইরিঙৈগী ইমাখোয়না শীজিন্নখিবা লোন্দা পুদা হৌজিকসু শীজিন্নগে হেক হেক তৌরকই। মরমদি মতৌ তম্বসি অরায়বা অমদি নুংঙাইবা থবক অমা ওই। মমা মপাগী মতৌ মচানা তম্বা হায়বসি হৌনশানি। লেমজবা থবক অমগুম্না ৱারীনৈ মখোয় মশেন্দি মাঙবা তোংবগী মরমদা। পুম্নমক অসি খুন্নাসি মাঙদা চঙশিনবগী মহুত্তা তুংদা হল্লবনি হায়না মুন্না খঙলবা অখঙ অহৈশিংদি মীত্তগী পি শোয়দনা শীন্থরমগনি। লনগী মবেম্মনি হায়না হিন্দু লাইনীং চৎপশিংনা লক্ষ্মী লাইরেম্বীবু লাৎনরম্লিবসিনা নুপীশিংবু কয়াগী মতীক ইকাইখুম্নরম্বগে হায়বদু ময়েক শেংনা তাকই। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা দুর্গা, সরশ্বতী, কালিমাতানচিংবা লাইরেম্বী কয়ানা হিন্দু লাইনীংদা অৱাংবা ফিদা কন্দুনা থল্লি। মণিপুরদসু অদুমঙায় ঐখোয়গী ওইবা ইপা ইপুগী লাইনীং লিচত্তা ইমা লৈমরেন শিদবী, ইমোইনু, ফৌওইবী, পান্থোইবীনচিংবা লাইরেম্বী কয়াগী মফম কন্দুনা থল্লি। মসিগী মরমদি নুপীদা য়াওরিবা মতীক মগুন কয়া অদু খঙবননি। অদুবু পূম্নমক অসিগী তাইওন্নবদা মশাগী মতীক ময়াই মুন্না খঙজদবী নুপী খরনা নুপী খুন্নাইবু চিংথনবা হোৎনরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হায়নৈ নুপা অমগী লৈখা তাননবগী মরম অহুম লৈ, মদুদি য়ু, জ্বার অমদি ফত্তবী নুপী লোয়নবা। অসুক য়াম্না ফত্তে খঙলবা জ্বারগী মশক ওইরবা লগাউদা লূপচবা নুপা নুপীশিংনা ৱাখল খরা খন্থবীবা মতম ওইরবনি।

নহান তাং ৭ মৈগী কুম্মৈ দিৱালি নুমিত্তুদা লগাউ শান্নবা য়ারোই হায়না ককচিং খুল্লক্তা লাউরগা চৎখি। নুমিদাং ওইরকপা মতমদা শান্নরিবরা শান্নদবরা হায়বদু য়েংবা চৎলি। লগাউ য়েংনীংবগী নত্তে। লাউ খোংখিবদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বরা অমদি মীয়াম্না করি খল্লিবগে হায়বদু খঙনীংবগীনি। নুমিৎ তাদ্রি লগাউ মফম ময়ামদু উবদা কোক্তুম ইঙাও ঙাওই। নুপী য়াওরিবরা য়েংলুই, অঙাং চহী ১০ মুক্কী নুপী মচাদগীনা, লৈশাবী, মৌনাউ, মৌয়াই পুমশু হেক শুই য়াওরম্বদো। ফোটো নমশিল্লুই, হংলকপা য়াওই-

"ফেসবুক্তা থাগৎকে হায়রিরা?"

"ফোটোশিংসি পুলিসতা থারগা ফাহনগে তৌবনি।"

ঐনা ফাগী তৌই।

"দিৱালিগী ওফরনি। কনানসু ফাবীদৌবা লৈতে।"

ইরায় লায়না খুমদোরকই। য়াম্না শাথীবসি মচা পোবী মৌশিংদুনি। মখোয়না শেল থাবগী নোম্থবদুদা অঙাংদুনা নুংঙাইতদুনা 'এ-আ" তৌবদুদা ইশৌ লাংশিল্লগা মচাদু মনঙ্গন্দা ফ্র ফ্র লংহৎলি। য়েংববু হৈরবদি কুম্মৈগী কুম্মৈ ঙাক্তনি। মথং নুমিৎ গোর্বধন পুজা নুমিত্তা ইনাও নুপীখোয়গী উৎসব অমা কৎলি। হৈ-রা খরা দিৱালি নুমিদাংদুদা থিনবা চৎখি। অতোপ্পা নুপী খরসু লাকই। পোৎচৈ, হৈরূক্লচিংবা শেম্বা লোইরবা মতুংদা ৱারী ৱাতাই শানদুনা ঙাইহাক ফম্লিঙৈদনি। ইনাওনুপীগী মচা নুপী লৈশাবীদুগা মমৌ নুপীদুগা মকে শেম্লগা চৎকদবগী শেম শাবদু উবদা ইথৌ ইরৈ লৈতবমখৈ হংলুই মরমদু। দিৱালিগী লগাউ শান্নবা য়েংবা চৎলুদৌরিনি খুম্লকই। মখোয়গীদু শেল থারুগদবা শোয়দনা ওইরমগনি। খরা ঙাঙনিংবনি। মী ময়াম অমা লৈবা অমদি পাউচেদা ইরগা হাপকদৌরিবা আর্টিকলসিদা ওইনা হাপ্লগে, পারগা অদুম্মক খঙজরসনু খনবদগী ঙাঙলমদ্রে। অমুকসু ফম্মিন্নরিবা নুপীদুদা মচানা ফোন তৌরকই মদুদা মানা হায়খি,

"নঙগী ববাদগী লৌরো, লৈবা নত্রো?"

মচাদুনা করি হায়রকপনো খঙদে মানা হায়খি,

"ফরে ফরে ঐ লাক্লগে।"

ফোন্দু থল্লগা ময়া ইহি হিগৎলদুনা হায়রকখি,

"হো লগাউগী শেল পীরদবা য়ারোই হায়রিবা। মী পুম্নমক থোক্লখ্রে হায়দুনা শাউরক্লিবনি।"

ময়াম্নসু মতেং পাংশিল্লি,

"থবক চখোককনি হায়রবদি, ঙসাই হান্না পীথোক্লম্বা য়াদ্রা?" মহাক চৎখি, মেত্রিক পরিক্ষা থাগদৌরিবা মচাদুদা লগাউগী শেল পীননবগীদমক।


মতৌ অসুম্না নহানগী মৈগী কুম্মৈ দিৱালিদো, ঈথক ঈরাং, লগাউ হন্থবগী মহুত্তা হেন্না হেনগৎখি। লক্ষ্মী লাইরেম্বীগী মিংদা নুপী নুপা হুপ্না খুন্নাইসি চিংথনবা হোৎনরক্লি। মসি তৌদনবা হায়রুবশিংদো মতমগী চৎনবী খঙদবা অদুম্মক মতাবা। নুপী হায়বসিদি মমানি, লাইরেম্বীনি। মমাশিংনা, লাইরেম্বীশিংনা মচাশিংবু অরানবা লম্বীদা পুনবা হোৎনরকপসিমদি পুক্লিং থৌগৎফম থোক্তে। মহাভারতকী লান থোক্লক্লবগী মরূ হুনখিবদু চৌবরনি হায়বসি কাউদবা ফৈ।


# পূক্নুংগী অঙাং নুপা-নুপী খঙদোকপা অমদি অঙাং য়ৈথবদা লোগী মীৎয়েং

নন্দা

**থাজনবা** চৎনবীদা অঙাং হায়বসি তাইবঙ শেম্বা মপূনা পীবীবা খুদোলনি হায়না লৌনৈ। মতম অসিদসু অঙাং হায়বসি তুংগী মীরোলনি হায়না লৌনৈ। মীওইবা খুন্নাইবু তুং কোয়না হিংহনবদা জেনরেসন মথং-মথং হিংহনবা হায়বসি চঙই। মসিগী মথক্তা অঙাংশিংবু নুপী-নুপা খায়দনা মান্নবা মীৎয়েং মখাদা শেম্বীবা হায়বসি মমা-মপাগী মথৌদাংনি। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না পূক্নুংদা লৈরিঙৈদগী হৌনা অঙাং অমবু অফবা তিঞ্জং কায়জংদবা ওইনবা মেদিকেল সাইন্সকী মতেং কয়া লৌনরি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা কনাগুম্বনদি লোন্না অঙাং য়ৈথবা, নুপী-নুপা খঙদোক্লবা মতুংদা মখোয়গী অপাম্বা অঙাং অদু নৎত্রগদি পোকত্রিবা অঙাং অদু মাঙহনবা নৎত্রগনা কনাগুম্বনা অরোনবা মওংদা নুপী-নুপা লোয়নবদগী মীরোনখিবা য়াওরকপদা অঙাং অদুনা পোক্লক্লগদি মশাগী অরোনবা লম্বী অদু খঙলক্কনি হায়বদগী অঙাং অদু মাঙহনবা হায়বনচিংবা তৌবা মীওই কয়া য়াওদবা নত্তে। মসিগুম্বা থৌওং অসি লোনদি অয়াবা খক পীদে। অদুগা লোনা অয়াবা পীদবা থবকশিং অসি তৌরিবা মীওই খুদিংমক চৈরাক ফংগনি হায়বসি অফবা অচুম্বা লম্বী অমা ওইবনিনা অরানবা থৌওংশিং তৌদনবা লোশিং শেমই।

মমাগী পূক্নুংদা লৈরিঙৈদা অঙাং অদু করম্বা মওংদা লৈরিবগে অমদি নুপা নৎত্রগা নুপী ওইব্রা হায়বসি হান্নন খঙদোকপা ঙম্বা খূৎলায় মতমগী মতুং ইন্না লৈরকই। অদুম ওইনমক অরানবা মওংদা খূৎলায়শিংসি মতেং লৌদুনা পূক্নুংগী অঙাং অদু নুপী ওইরগদি মাঙহন্নবা হোৎনবা কয়া থোক্লকপদগীদি অসিগুম্বা অরানবা মওং অসি থিংননবা লো শেমদুনা চৎনবা হৌরকই। অদুগা অতোপ্পা অরানবা থৌওং অমনা অঙাং য়ৈথবা হায়বদি অঙাং ওইহন্দবা হায়বা অসিসু অরানবা মওংদা শীজিন্নরকপদগী




মসিবু থিংননবা অমদি করম্বা মতমদা শীজিন্নগনি হায়বা অসিগা মরী লৈনবা লোসু শেমদবা য়ারক্তে। হীরমশিংসিগা মরী লৈননা শেম্বা লোশিংদি 'দি মেদিকেল টর্মিনেসন ওফ প্রেগনেন্সি এক্ট, ১৯৭১' অমদি 'দি প্রি-কোন্সেপসন এন্দ পি-নটল দাইগ্নোষ্টিক টেক্নিক (প্রোহিবিসন ওফ সেক্স সেলেক্সন) এক্ট, ১৯৯৪' হায়বশিং অসিনি।

আইনগী মীৎয়েংদা অঙাং য়ৈথবা হায়বসি ক্রাইমনি হায়না লৌই। অদুগা নুপীবু হন্থনা য়েংবা হায়বসিগা মরী লৈননা পূক্নুংগী অঙাংবু নুপা-নুপী খঙদোক্লগা নুপী ওইরগদি হাৎতোকপা হায়বসিসু ক্রাইমনি হায়না লোগী মীৎয়েংদা লৌই। মরম অসিনা ক্রাইম অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং হায়বদি নুপা-নুপী অদুতা নত্তনা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি থবক অদু পাঙথোকপদা মতেং পাংলিবা ডোক্তর অমদি লায়েংশঙ নৎত্রগা অরানবা থবক অদু পাঙথোক্লিবা খূৎশু-খূৎলায় অমদি মদুবু থল্লিবা মফম হায়রিবশিং অসিনচিংবা পুম্নমক লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংগনি। অসিগুম্বা লোনা অরানবা থৌওংনি হায়না লৌরবশিং অসিগী মরাল মখলশিংগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা চৈরাক ফংগনি। শেল ওইনা কোংহনবা, কৈশুমশঙদা থম্বা, শেলসু কোংহনবা, কৈশুমশঙদসু থম্বা অমদি খূৎশু-খূৎলায়শিং অদু শীজিন্নবগী অয়াবা ককথৎপা অমদি লায়েংশঙ নৎত্রগা চাংয়েং তৌফমশিং হাংবগী অয়াবা পীরম্বা ককথৎপনচিংবা চৈরাকশিং ফংগনি।

চৈরাক ফংগদৌরিবা করিগীনো হায়রবদি অরানবা থৌওং তৌবগীনি হায়বসি ঐখোয় অয়াম্বনা খঙই। অদুগা করিগীদমক্তা ঐখোয়না অরানবা থবক তৌগে হায়না খল্লিবনো হায়বা তারবদি লো লৈ হায়বসি খঙদবা, খঙলগসু থৌওইদবা অমদি ঐখোয় হায়বসি মীওইবগী খুন্নাই অসিদা লৈরি হায়বসি কাউথোকপদগীনি। অদুনদি হন্না হন্না ঐখোয় পূন্না লো খঙমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। ঐখোয় খুদিংমক মীওইবা অমনা ফংফম থোকপা হক অদু চপ মান্নে হায়বসি নুমিৎ খুদিংগী নীংশিংগদবনি। ইশা ইশাগী শিনফম খেন্নবা য়াই, শেন্থোক মান্নদবা য়াই, নুপা-নুপী, অঙাং-অহল ওইবা য়াই, ফিজেৎ-চাকচা খেন্নবা য়াই অদুম ওইনমক মীওইবা হায়বা অদুদি অদুমক ওইদুনা লৈ। মরম অসিনা মীওইবগীদমক শেম্বা লোশিং অসি ঐখোয় খুদিংমক্কী শরুক থুংগনি। অরানবা তৌবশিংবু লোনা চৈরাক পী। অচুম্বা তৌবশিংবুনা লোনা ইকায়খুম্নবা পী।

মমাগী পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাং অদুবু অমদি মীরোনবী নুপী অদুবুসু লোশিং অদুনা ঙাক শেল্লি। পূক্নুংগী অঙাং অদু মশা-মউ ফননবা অমদি মমা অদুগী হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদি অচুম্বা থৌওংনি হায়না লো অসিনা লৌই। মসিগা ওন্নবা থৌওংশিংদি অরানবনি হায়না লৌই। করিগুম্বা মীরোনবা অদুনা মরম ওইরগা মমা অদুগী মশা শোক্লিংঙাই ওইরবা নৎত্রগা মদুনা মরম ওইরগা মমাদু শিগদবা অদু ওইরবদি য়েংলিবা অখঙ অহৈ অদুনা ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি মীরোল্লিবী মমা অদুবু মরমশিং অদু নীংথিনা খঙহনবীরবা মতুংদা লোনা পীরিবা অয়াবা থৌওংদা মরী লৈনবা থৌওংশিং তৌবা য়াই। অতোপ্পা অমনা অঙাং অমা হেক মীরোনবা হৌবদগী চাং নাইনা চেক তৌবীবা হায়বসিদি মীরোনবী মমা, মপূরোইবা, ইমুং-মনুং অমদি ডোক্তরশিংগী তৌদবা য়াদ্রবা মথৌ ওইরি।

পঞ্জরিবা মরম কয়া অসিগী মনুংদা তঙাইফদনা মীচমশিংনা খঙজিনগদবশিং অদুদি অরাইবা মওংদা পঞ্জরি। টেক্নিকেল ওইবা হেন্না কূপ্পা ৱারোলদি লোশিং অসিদা হেন্না কূপ্না শন্দোক্লা য়াওরি। মসিনা মরী লৈনবা লো শূবশিং অমদি ডোক্তর নৎত্রগা মসিগা মরী লৈননা থবক তৌরিবশিংনা শীজিন্নগদবনিনা হীরম অসিদা খঙলে হায়না লৌবগা লোয়ননা অরানবা থৌওংশিং তৌরোইদবনি। অচুম্বা থৌওং খঙজদ্রিবশিংদা চুম্না লমতাকপীগনি হায়বগী থাজবা থমজরি।




## মরোল থোকপা লাই

